# মুম্বাইদা নেৎশিন্নবদা মীওই ১৮ শিরে ৫০ হেন্না শোক্লে



**মুম্বাই, জনুৱারি ১৮ঃ** সাইফি মাহলদা লৈবা ডাক্তর সাহিদনা মহামদ বারহনুদ্দিন ইরাই নুমিত্তা লৈখিদবগী অরোইবা থৌরম পাংথোকপা য়াওননবা লাকখিবা মীয়ামশিং নেৎশিন্নবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৮ শিরে অদুগা ৫০ হেন্না অশোক অপন নংখ্রে হায়না ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমনা ফোংদোরক্লি।

থৌদোক অদুদা শোকখ্রবশিং সাইফি হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কৎনরি। লৈখিদ্রবা লুচিংবা অদুগী মফমদা অরোইবা ইকাই খুম্নবা উৎনবগীদমক নুপী অমসুং নুপাগী তোঙান-তোঙানবা পরেংশিং লেপ্তুনা ঙাইনখি। খঙহৌদনা পরেংশিং অদু য়ানশিন্নরকপগা লোয়ননা খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকহল্লকখি হায়রি।থৌদোক অদুদা য়াওখিবা কাইট নাজিরমী কৌবা পুনেদগী মীওই অমনা ফোংদোকখিবদা মহাক্কা লাকমিন্নবা অমসুং মরী মতা থোকপা মীওই অমা নেৎশিন্নবা অদুদা শিখি হায়না ফোংদোরক্লি। থম্বোম্বীগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা শিহনখিবা চহি ১০২ শুরবা লুচিংবা অদুগী অরোইবা মথৌ মঙম পাংথোকপগী থৌরম অদু য়াওননবা মীওই লাক্ষ অমা হেনবনা সহর অদুদা তিনখি। অর্বিদদেৱস ৱাল্লা কৌবা মীওই অমনা ফোংদোরকখিবদা মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওই ১৬ সাইফি মাহলদা থাংজনুমিৎকী অথেংবদা থৌরম অদু য়াওনবা থুংলখি। মদুগী তুংদা নেৎশিন্নবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়রি।

মুম্বাই পুলিসকী মকোক ডাঃ সত্যাপালনা ফোংদোকখিবদা নেৎশিন্নবগী থৌদোক অদুদা মীওই ৫৯ শোক্কুনা লায়কৎন্নখি। অদুম ওইনমক অশোকপশিংগী মনুংদা মীওই ৫৬ তি দিসচার্জ তৌখ্রে। অদুগা ৩ না হৌজিক হৌজিক হোস্পিটালদা লাইয়েংলি হায়খি। সত্যাপাল সিংহনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা, থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিং অদু নেৎশিন্নবা অদুনা মরম ওইরগা শ্বর ফুনবদগী লৈখিদবনি। সাইফি মাহলদা থল্লিবা সাহিদনাগী হকচাং অদুবু অরোইবা ইকাই খুম্নবগীদমক মীয়াম তিনখি। নুমিৎ অদুগী নুমিদাংগী পুং ১ঃ৩০ তারকপদা ইরাং থোক্লক্তুনা নেৎশিন্নবগী থৌদোক অদু থোকখি। থৌদোক অদুদা শোক্লবা মীওই ১৭ সাইফি হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লাইয়েংখি। অদুগা অতোপ্পা মীওই অমনা কুম্বালা হিল হোস্পিটালদা লাইয়েংখি হায়রি।

মালাবালগী চীংগী লমদম অদুদা হান্ননা থৌরাং তৌহৌদবদগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। লৈখিদ্রবা লুচিংবা অদুগী অরোইবা মথৌ মঙম পাংথোকপগী থৌরমদা ষ্টেট অদুগী গভনর, চিফ মিনিষ্টর, দিপুটি চিফ মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর, মকোক থোংবা বিজিনেসমেনশিং, দিপ্লোমেটশিং অমদি কম্যুনিটিগী লুচিংবশিংনা লৈখিদ্রবগী মফমদা সর্ধ্যানজল্লি কৎননবগীদমক মখোয় মখোয়গী অনকপদা লৈবা মোশুক অমসুং বোহরাজশিংদা চৎননবা আপিল তৌরক্লি। শুরত্তা পোকখিবা সাহিদনা মোহমদ বারাহনুদ্দিননা মহাক্কী অপোকপা লৈখ্রিদবা মতুং ইং ১৯৬৫ দা কাঙলুপ অদুগী লুচিংবা ওইনা লৈরকখি। মহাক্না চহি কয়া কাঙলুপ অদুবু লুচিংদুনা লাকপগা লোয়ননা মতমগা চান্নবা কম্যুনিটি অমা ওইহল্লকখিবনি হায়রি। সাহিদনা হায়রিবা লুচিংবা অদু মহাক্কী হোৎনজমলগী মতুংইন্না তোঙান তোঙানবা দিগ্রি কয়া ফংখ্রবা মীওইনি। মহাক তোঙান-তোঙানবা য়ুনিভর্সিটিশিংদা থবক তৌরম্বা অমদি দিগ্রি লৌরকখ্রবা মীওইনি হায়রি।

## অচুম্বদু খঙমিন্নসি

### তাবদা অঙকপা ফিল্ম খরা–১

হৌজিক মতমগী ফিল্মদা কম্প্যুটরনা চাওরবা রোল অমা লৌদুনা এনিমেসন য়াওরবা ফিল্মদুগুম্বা নত্তবদা তশেং তশেংনা মী মশিং য়াম্না চঙখিবা অদুগা মশিং য়াম্লবা জিবশিং চঙখিবা ফিল্ম খরা লৈ। ফিল্মশিং অদু করম করম্বনো খঙমিন্নসি। গান্ধীঃ ইং ১৯৮২ দা য়ু কেনা পুথোকখিবা গান্ধী হায়রিবা ফিল্মসিগীদমক পুন্না মীওই ২৯৪,৫৬০ ওর্গনাইজ তৌখি। মসিগী মনুংদা মীওই ৯৪,৫৬০ দা অপীকপা শেনফমদা ফী পীখি। মীওই ২০০,০০০ ফী পীখিদে। মখোয় অমুক্তদা পুল্লপ য়াওবা সিন অসি গান্ধীগী অশিবা হকচাং পোৎলোইবগী নমখিবা সিন অদুনি। ইদিট তৌরবা তুংদা পোৎলোইবগী সিন অসি মিনিট ২ গা সেকেণ্ড ৫ শাংই। পনবা য়াবা অতৈ ফিল্ম খরগী মনুংদা জেকোস্লোভাকিয়াগী Dny Zrady (Days of Betrayal) অসিসু অমনি। ইং ১৯৭৩ দা পুথোকখিবা ফিল্ম অসিদা মীওই লিশিং ৬০, ০০০ য়াওখি। ইং ১৯১৬ তা য়ু এস না পুথোকখিবা Intolerance হায়বা ফিল্মসিগীসু মীওই ৬০,০০০ ওর্গনাইজ তৌখি।

# হিন্দি ঙাংবশিংনা তোংবা বসতা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা মীওই ৫ শিখ্রে

**গুৱাহাটি, জনুৱারি ১৮ঃ** আসামগী ক্রোকঝর দিষ্ট্রিক্টতা হিন্দি লোল ঙাংবশিংনা তোংবা বস অমদা বোরো নেসনেল দিফেন্স ফোর্সকী মিলিটেন্টনি চিংনবশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা মীওই ৫ শিরে।




শিখ্রবশিংগী মনুংদা ৪ দি বিহারদগীনি হায়রি। অদুগা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক অদুদা বিহারদগী লাকপা মীওই ৩ সু অশোক–অপন নংখি হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোংদোরক্লি। বিহারদগী আসামদা লাকখিবা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদু মশক মমিং খঙবা ঙমখ্রে। মখোয়শিং অদুদি পাপু কুমার সিং (২৫), শমসের মন্ত্রি (২০) অমসুং আহোট বিহারি (২০) অমদি রাজ বিহারি (১৯) নি।

সরফাংগুরি পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা রামফালবিল লমদমদা লৈবা নেসনেল হায়ৱে ৩১দা মিলিটেন্টশিং অদুনা বস অদু খাল্লকখি। খুৎলাই পায়বশিং অদুনা বস অদুদা তোংলকপা মীওই ৮ চিংথোকপগা লোয়ননা পরেং শানা লেপহল্লবা মতুং নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক চত্থরকখিবনি হায়রি। থৌদোক অদুদা মীওই ৫ মফম অদুমক্তদা শিখি। তুংদা খুৎলাই পায়বশিং অদুনা ইন্টর ষ্টেট বস অদু চৎখিনবা খঙহল্লকখি হায়রি। থৌদোক অদুদা শোক্লবা আলমোল গুপতা, রামান্দ ওঝা অমসুং বাবুলাল কর্ম্মাকর বোঙ্গাইগাউন সিবিল হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নখি।

দিষ্ট্রিক্ট অদুগী এডিসনেল সুপরিটেন্টদেন্ট এস পনশ্বারনা ফোংদোকখিবদা মরাল লৈবশিং অদু ফানবা সেক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি। মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখিবদা হায়রিবা লমদম অদুদা মিলিটেন্টশিংনা এটেক চত্থরকপা য়াই হায়বগী মাংজৌনবা পাউ ফংখিবা লৈতে। অদুম ওইনমক এটেক অদু চত্থরকখিবা মিলিটেন্টশিং অদু ফাননবা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে হায়খি।

# উট্টর প্রদেশকী রিলিফ কেম্পতা ঙরাংসু মীওই ২ শিখ্রে

**লক্ষনৌ, জনুৱারি ১৮ঃ** উট্টর প্রদেসকী সামলি দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মালকারপু রিলিপ কেম্পতা ঙসি নুপা অমা য়াওনা মীওই ২ শিখ্রে। মীশিং অদু মুজফর নাগরগী কাঙলুপকী ঈরাংনা মরম ওইরগা ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নরকখিবা মীওইশিংনি। চয়োল অসিগী মনুংদা হন্দক শিখিবা অদু য়াওরগা মীওই ৪ শিখ্রে হায়রি।

রিলিফ কেম্প অদুদা লৈরিবা নুপী অমনা হিদাক লাম্থক্কী চেকশিন থৌরাং অমত্তা য়াওদনা আইননা য়াদবা মওংদা অঙাং অমা থাংজ নুমিত্তা পোকখ্রে হায়রি। চহি ৩৫ শুবরা মহমদ উমর অমসুং পোকপা নুমিৎ ১৫ নিদা শুরিবা এম আলি কৌবা মীওই অনি রিলিফ কেম্প অদুদা নিংথম থাগী অইংবনা মরম ওইরগা শিখি হায়রি। চপ চাবা মেদিকেল ফেসিলিটি য়াওদনা নুপী অমনা শামলি দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা রিহেবিলিটেসন অদুদা অঙাং পোকখি।

মমাং থাদা কংগ্রেসকী ভাইস প্রাসিদেন্ট রাহুন গান্ধিনা রিলিফ কেম্প অদুদা য়েংশিল্লম্বগা লোয়ননা উট্ট প্রদেশ সরকারনা রিলিফ কেম্প অদুদা লৈরিবা মীয়ামশিংগী তঙাই ফদবা পোৎলমশিং ফংহন্নবা ৱাফম ফোংদোক্লমখি। অদুম ওইনমক প্রাইমারি হেল্‌ঠ সেন্তরগী সুপরিনটেন্দেন্ট রামেস চন্দ্রানা ফোংদোকখিবদা রিলিফ কেম্প অদুদা নৌনা মীশি মীনা থোকহনখিবা অদু ইনক্বারি তৌননবা হুকুম থোকখ্রে। রিলিফ কেম্প অদুগী ওর্গনাইজরনা হায়খিবদা লৈখিদ্রবা মীওই অদু টিক্রি ভগবদ লৈমদমদগীনি। মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখিবদা চৎলিবা থা অসিগী ১৫ দা চহি ৬০ শুরবী নুপী অমা ইরাং অদুনা মরম ওইরগা রিলিফ কেম্প অদুদা চেনশিল্লকখি। অদুম ওইনমক



মহাক অইংবা ফিবম অদুনা মরম ওইরগা শিহনখি হায়রি। শামলি দিষ্ট্রিক্টকী সাহপুর রিলিফ কেম্পতা লাঞ্জেন্নরকখিবা মীওই অমসু অইংবা নুংশিৎনা মরম ওইরগা শিহনখি। মুজফর নগরগী কাঙলুপকী ইরাং অদুনা য়ামদ্রবদা ইমুং ২১৯ ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখি। মখোয়শিং অদু সরকারনা মতম খরগী ওইনা চলাইবা রিলিপ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি হায়খি।

## দষা য়েংথোকপীয়ু

অনৌবা চহিগী দষা লাংফম, অঙাংগী অফ–ফত্ত, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, ঙাংনবা ৱাবা, ইমুংদা অনম–অহা চুবা, ৱাখল তিন্নদবা, শেল তুঙদবা, লুহোংফাল থিন্থবা, অঙাং পোক্তবা, কেশ থেংনবা, রাজনিতি, থবক, করবার, প্রমোসন, লায়ওং খঙদবা অনাবা অসিনচিংবা জন্ম কুঠী অমদি খুবাক ময়িদগী কূপথনা য়েংজরি। দষা ঙাক্লবা অজা–পূজা, উপায় কয়াসু তান্নবীয়ু।

Sd/- **Rajendra Phai**
(JyotishViswabidyacharja)
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai,
Ananda Academy Road, I/E

SL/1144/18,19

# টিলক লেন্দদা লৈবা সরকারগী ফমুং ৩ লৈবা ক্বার্টরদা আরবিন্দ কেজ্রিৱাল হোংজিনখ্রে



**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১৮ঃ** লিয়ুটিন জোন্দা লৈবা টিলক লেন্দদা আর্বান দিবলভমেন্ট মিনিষ্ট্রিনা পীবা ফমুং ৩ লৈবা য়ুম অমদা দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর আরবিন্দ কেজ্রিৱাল মমৈথংদা হোংজিনখ্রে। কেরোটোরেট ওফ ষ্টেটনা ফোংদোরকখিবগী মতুং ইন্না টিলক লেন্দদা লৈবা টাইপ ৬ কী গ্রাউন্দ ফ্লোরগী হাউস নম্বর সি ২–২৩ দা কেজ্রিৱাল হোংজিনখ্রে। হায়রিবা য়ুম অদুদা ফমুং ৩ লৈ। অদুগা দ্রোইয়িং, দাইনিং, য়ুমগী থবক তৌনবা মীওই ২ লৈবা য়াবা কা, গেরেজ য়াওরি। লোয়ননা পাটিয়ালা হাউস কোর্টনা মফম অদুদা স্করফিট ১৬০০ কী শুমাং লৈবা অমসুং পার্কিং ওইনা থমগদবা মফমশিং য়াওরি। হায়রিবা মফম অদুদা দিল্লিগী চিফমিনিষ্টর আরবিন্দ কেজ্রিৱাল হোংজিনখ্রে। দিল্লি সরকারনা পার্টি অদুনা হায়জরকখিবগী মতুং ইন্না চপ চাবা খুদোং চাবা লৈবা মফম অদুদা চিফ মিনিষ্টর অদু লৈননবা পীরি। চিফ মিনিষ্টরশিংগী লৈফম ওইবা য়াবা অতোপ্পা মফম কয়াসু লৈরি। অদুম ওইনমক কেজ্রিৱালনা লৈবদা মফম অদু খ্বায়দগী হেন্না শাফগনি খনবদগী পীখিবনি।

মমাংদা দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর আরবিন্দ কেজ্রিৱালদা দুপ্লোক্স এপার্টমেন্ট বঙ্গালোর পিবদা লৌ হায়বা য়াখিদবনি। য়ুমশিং অদু দিল্লি সরকারগী পি দব্লিউ দিদা শিন্নখ্রে। য়ুমশিং অদু শেম–শামগী থবকশিং দিপার্টমেন্ট অদুনা লৌখ্রে। অদুম ওইনমক হান্নগী চিফ মিনিষ্টর সাইলা দিক্সিদনা লৈরম্বা মোটিলাল নেহরু প্লোসকী টাইপ VIII বঙ্গালোর থাদোকপগী মতাংদা চৎলিবা চহি অসিগী জনুৱারিগী ১০ ৱাথোক ওইখিবনি হায়রি।

# মিথুন চক্রবোর্টি রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইরগনি

**কোলকট্টা, জনুৱারি ১৮ঃ** শকখঙনরবা ফিল্ম এক্টর মিথুন চক্রবোর্টিবু রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইনা ট্রিনামুল কংগ্রেস পার্টিনা খল্লগনি হায়না পার্টি অদুগী লুচিংবী ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চিফ মিনিষ্টর মমাতা বেনর্জিনা ঙসি ফেস বুক্তা লাউথোরক্লি।

বেনর্জিগী ৱারোলদা ষ্টেট অদুদগী রাজ্য সভাগী সিট ৫ খনগদবনি। হায়রিবা সিট ৫ অদুগী মনুংদা সিট অমদি মিথুন চক্রবোর্টিদা পীরগনি হায়খি। মহাক ফিল্মগী লমদা মীয়াম্না থোইদোক হেন্দোক্লা শকখঙনরবা মীওইনি। লোয়ননা মহাক্কী লোয়নবীসু কলচরেল এন্দ সোসিয়েল এক্টিভিটিতা থোইদোক্লা অচৌবা থৌদাং লৌরিবনি। চহি ৬১ শুরবা চক্রবোর্টি মারিনাল সেননা পুথোকপা মরগায়াদা শক্তম লাংখিবদগী ইং ১৯৭৬ তগী মীয়াম্না শকখঙনবা অমা ওইরকখি। লৈবাক অসিগী লেমজনফম ওইরবা বেষ্ট এক্টর এৱার্দসু ফংখ্রবা মীওইনি। ইং ১৯৮২ দা পুথোকখিবা দিস্কো দান্সর ফিল্মদা মীয়াম্না খ্বায়দগী হেন্না পাম্নবা ষ্টার অমা ওইখিবা মীশক্লি হায়রি।




# মিলিটেন্টশিংনা সেন্ট্রেল রিজাভ পুলিস ফোর্সদা এটেক চত্থরকখ্রে

**শ্রীনগর ১৮ঃ** মোটোর সাইকল তৌদুনা লাকখিবা মিলিটেন্টশিংনা মথৌ তৌরিবা সি আর পি এফকী পার্সোনেলশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লম্বদগী অশোক অপন নংখ্রে হায়না সেনিয়ার পুলিস ওফিসিয়েলশিংনা ফোংদোরক্লি। সেক্যুরিটি পার্সোনেলশিং অদু প্রাধান চোক পরিম পোরা ফাওনবা লম্বীদা মথৌ তৌরিঙৈদা মিলিটেন্টশিংনি চিংনবশিংনা এটেক অদু চত্থরমখিবনি। সি আর পি এফকী হায়দর পোরোদা দ্যুটি তৌদুনা লৈবা পার্সোনেলশিং অদুদা আইন কায়না এটেক চত্থরমখিবনি হায়রি। মফম অদুদা দিয়্যুটি তাখিবা পার্সোনেল অমনা পাউমিশিংদা ফোংদোকখিবদা এটেক চত্থরম্বা মীওইশিং অদু মোটোর সাইকল অমসুং কার অমদা লাকখি। অদুগা মোটোর সাইকল তৌংলকপা মিলিটেন্টশিংনি চিংবশিং অমনা দিয়্যুটি তৌরিবা সি আর পি এফকী পার্সোনেলশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লম্বনি হায়খি।

সি আর পি ফিকী দি আই জি আর রাজসেকরন্না পাউমীশিংদা ফোংদোকখিবদা থৌদোক অদুগী মতাং থিজিনবগী থবক চত্থরি। লোয়ননা জবান পীরকখিবা পর্সোনেলশিংদসু ৱাহং পাউহং চত্থরি হায়খি। মফম অদুদা মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লম্বা অদুদা পার্সোনেল অমত্তা অশোক অপন য়াওখিদে। করিগুম্বা মিলিটেন্টশিং অদুনা নোংমৈ কাপশিল্লম্বা ওইরবদি মখোয়বু তান্নদুনা মফম অমদা হেক্তা ফাবা য়াই।

থৌদোক থোকখি হায়রিবা মফম অদুদা লৈবা মীওইশিং অমসুং দুকান ফম্বশিংনা ফোংদোরকখিবদা মফম অদুদা নোংমৈ কাপ্পগী মখোল তাখিবা লৈতে অদুগা সেক্যুরিটি পার্সোনেলশিংদা এটেক চত্থরম্মী হায়বসু তাখিদে হায়না ফোংদোরক্লি।



প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহনা মমাং চহিগী জুনগী তাং ২৪ দা মফম অদুদা য়েংশিনবা লাকপদা এটেক চত্থরকখিবা মফম অদুমক্তদা ঙসি সি আর পি ফিকী পার্সোনেলশিংদা এটেক চত্থরম্মে হায়না ক্লেইম তৌরক্লি। প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহগী খোঙচৎ অদুদা চত্থরকখিবা এটেক অদুনা মরম ওইরগা আর্মিগী পার্সোনেল ৮ শিহনখি অদুগা ১৬ না অশোক অপন নংহনখিবনি হায়রি।